# ১৯৬৪দা ঐহাক মধ্য প্রদেশকী নেসনল ফিটনেস কোরদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ত্রেনিং চৎলকখি : চিরোম নবদ্বিপ



চিরোম নবদ্বিপ



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**

মণিপুরগী স্পোর্টস মুভমেন্ট কয়াদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা পাবুং চিরোম নবদ্বিপ (ইবোতোম্বী) সু অমনি। মশাগী চহী ৮২ হায়রক্লবা লমশাং বজারদা লৈবা পাবুং অসিনা করম্না ফিজিকেল ইন্সত্রক্টরগী ত্রেনিং চৎলকখিবগে হায়বগী মরীক চুম্না ৱাফম কয়া থন্বীরকখি।

পাবুং নবদ্বিপ অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা হিংনবগী লানফমদা তোঙান তোঙানবা ষ্ট্রগল কয়া তৌরকখিবা মীওই অমা ওইনা চাউরকখি। অহল-লমন ঙন্না লৈখিদবনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়াসু মায়োক্নরকখি। অদুবু যম্না ৱারবসু, লাইরিক-লাইশু হৈবা মীওই অমা ওইনীংবদগী মেত্রিক পাস তৌদবা য়াদে খল্লগা ১৯৬২দা মেত্রিক থাদুনা পাস তৌরকখি।

পাবুং নবদ্বিপনা অসুম্না ৱারী লীবিরকখি, ঐহাক্না কুমজা ১৯৬৪দা ফিজিকেল ইন্সত্রক্টরগী ত্রেনিং য়াওজরকপসিদি লাইবক্তা তম্লম্বা হায়বদুনি। হায়রিবা মতমদু ঐগী ওইনদি হৈবোংপোকপী য়ু জে বি স্কুলদা (ক্লাস ফাইভ ফাওবা লৈবা) ওজা ওইদুনা লৈজবা মতমনি। ঐহাক্না স্কুলদুদা ওজা ওইদুনা লৈজরিবদু ত্রেনিং চৎখিবা ওজা অমগী মহুৎ পুদুনা লৈজবনি। কুমজা ১৯৬৪সি য়ূম-কৈ পান্দুনা ইচানুপা অমসু লৈরবা মতমনি।

নোংমদি উরিপোক্তা লৈবা ইমান্নবা কুল্ল কৌবা অমা উনদবসু কুইরে হায়দুনা মাগীদা চৎলুই। ইমান্নবা অসি মণিপুর এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা ক্লর্ক ওইবা মীশকনি। মাগীদা চঙবগা মরূপ কুল্লসিনা ঐঙোন্দা হায়, বোন্ধু ঙসিদি ইন্টরভিয়ু অমা তৌগদৌরি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী ফিজিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকীনি। নঙদি মেত্রিক পাস তৌরবনিনা থবকসি চঙবা য়াগনি। থাগী ফংগদবা শেনফমসু য়াম্মী। নঙ য়াওশিল্লো । মরুপ্না য়াওগে খনবীরগদি মরী লৈনবা দোকুমেন্ট পুম্ন মক লোইশিল্লগে। মেত্রিক সার্টিফিকেট তুমতংদি যূমদগী লৌবীরুরো হায়রকখি। মদুদগী ঐসু হোয় লৌরুবগে, ঐদি শান্ন-খোৎনবসিসু খরা পামজবনিনা য়ারে হায়দুনা যূমদগী মেত্রিক সার্টিফিকেটন-চিংবদু লৌরুবগা মরুপ কুল্লদা পীশিল্লে। মদুগী ইন্টরভিয়ুদুদা পুন্না কেন্দিদেট ৭৫ লাকখি। ঐনা ময়ামদুগী ইকোন কোনবা মীশক্তু ওইজখি।

ইন্টরভিয়ুদুগী বোর্দ মেম্বর ওইনা মপান্দগী বেঙ্গালি অমা, অসামিজ অমা, পঞ্জাবী অমা পুন্না অহুম য়াওখি। মতমদুদা চবুংবম ইবোহলনা এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জগী ওফিসর ওইরি। ঐগী ইহান হানবা ৱাহংসি বেঙ্গালিসিনা হংই। মহাক্না হংলকপসি ইন্দিয়াগী নেসনল এন্থেমসি মিনট কয়াদা শক্কে হায়না হংলকখি। মদুদা ঐহাক্না ইন্দিয়াগী নেসনল এন্থেম অসি সেকেন্দ ৪৮দগীনা ৫২ ফাওবগী মনুংদা শক্কদবনি, তান থাবসিনা ১০৮ ওইগদবনি, মসি হেনবসু য়াদে, তাবসু য়াদে হায়না খুমখি। চুম্মী হায়রকখি।

অনীশুবা ৱাহং ওইনা পঞ্জাবী অমা য়াওবদুনা অসুম্না হংলকখি, বোল্লিবোল নেট অমগী অৱাংবসি কয়ানো? মদুসু ঐহাক হান্না খরা খরা শান্নজরকপনা ফুট নপাননি হায়দুনা খুম্মে। মদুমসু চুম্মে হায়দুনা মঙক নোল্লকখি। অহুমশুবা ৱাহং ওইনা ইন্দিয়াগী অহানবা প্রসিদেন্ট কনানো হংলকখি। মদুসু ডা. রাজেন্দ্র প্রসাদ হায়না খুম্বদুদা ভেরি গুদ হায়রকখি।

ইন্টরভিয়ু হেক লোইবগা মিনট ১০গী মনুংদা রিজল্ট হায়দোক্লগনি ঙাইহাক্তং ঙাইবিরো হায়দুনা একচেঞ্জ ওফিসরগী পিওন্না লাউথোরকখি। মহৌশাদি ইন্টরভিয়ুগা তৌবসি শৎ-শৎ হেক্তা হায়দোক্লরম্মী। হৌজিক মতমগদি খরা খেন্নরে। মিনট ১০ রোমগী মতুংদা ইন্টরভিয়ুগী রিজল্টতুদা ঐহাকনে, তাওবুংখোক্তগী থোঙাম অমুখোম্বনে, মোইরাংখোমদগী আর কে সনাতোম্বনে ঐখোয় অহুম খল্লে হায়না লাউথোরকখি। ঐখোয় অহুমসি হান্না অমুক্তা ঊনখিবা মী অমত্তা নত্তে। নুমিৎতুদা ঐখোয় অহুম অমগা অমগা শকখঙ-মায়খঙনরে। ময়াম লোইনা চৎহনখ্রগা ঐখোয় অহুমদি ঙাইহাক ঙাইখো হায়দুনা লৈহনখি। অদুদগী ফোর্ম অমা পীরকখি। হয়েংমক মেনশিল্লগা এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জগী ওফিসরদা পীশিল্লু হায়রকখি।

ফোর্মদু সবমিট তৌখ্রবা মতুং থা অমা লৈরগা ঐখোয় অহুম ত্রেনিংগী কোল লাকখি। অদুদগী ঐখোয় অহুম মধ্য প্রদেশকী বরৱাহাদা লৈবা নেসনল ফিটনেস কোর (এন এফ সী) গী দিরেক্টরদা কুমজা ১৯৬৪গী এপ্রিল ১৪দা রিপোর্ট তৌদুনা ত্রেনিং হৌরকখি। থাগী ষ্টাইপেন ওইনা লুপা মরিফুমঙা ফংই। শেনফমসিদগী মেসকী লুপা ৩৫ ককহৌরগা অরেম্বা লুপা ৫০দি ঐখোয়দা পীরকখি।

মধ্য প্রদেশতা ঐখোয় থা মাপল ত্রেনিং তৌজরকখি। ত্রেনিংসি কুমজা ১৯৬৫গী জান্যুৱারী ২০দা লোইখি। ত্রেনিং হেক লোইবগা ঐখোয়গী এপোইন্টমেন্টসু পোষ্টিং মফমগা লোয়ননা মধ্য প্রদেশতগী পীরকখি। ঐহাক্কীনা লমলোং হায় স্কুলদা, অমুখোম্বগীনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায় স্কুলদা অদুগা আর কে সনাতোম্বগীনা ইম্ফাল মোর্নিং হায় স্কুলদা পীরকখি। অসুম্না ঐহাক কুমজা ১৯৬৫গী জান্যুৱারী ২৭তা সার্ভিসতা জোইন তৌজরকখি। -মথং-মথং

## জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা এ টি পি ফাইনেলসকী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখ্রে



লন্দন, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী)ঃ ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা পাঙথোকপা চহী অসিগী নুপাগী ওইবা সিজন লোয়শিল্লকপদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা সিঙ্গলস অমসুং দবলসকী শান্নরোয় ৮/৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা এটিপি ফাইনেলসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা নহা ওইরিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় সার্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

লন্দন এটিপি ফাইনেলসকী নুপাগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা শান্নরোয় অনী নোবাক জোকোবিস অমসুং অলেকজেন্দর জ্বেরেব টুর্নামেন্ট অসিগী সীদিংদা জোকোবিসনা নম্বর ৱান শান্নরোয়নি অদুগা জ্বেরেবনা অহুমশুবা শান্নরোয়নি।

নীংশিংবা য়াই জোকোবিসনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোয় কেবিন এন্দর্সনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-২দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইখিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা মালেমগী নুপাগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ২শুবা থাক্তা লৈরিবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদররগা লম্বা তৌনরকপদা জ্বেরেবনা মহাক্কী লম্বা অদুগা য়াম্না অকনবা লান্থেংং অমা থেংনরগা সেমীফাইনেল মেচ অদু ৭-৫, ৭-৬ (৭-৫)দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা এটিপি ফাইনেলসকী অহানবা সেট অদুদা নোবাক জোকোবিস অমসুং জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা মখোয় অনীগী লম্বা অদুদা অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা লম্বা তৌরকখি। গেম মায়পাকপা মশিং মান্নদুনা লাকখিবা মরম্না গেম ৪-৪দা লৈখি। নহা ওইরিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা মখাতাবা গেম অনী থোইবা ঙমদুনা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবাব সেট অদু ৬-৪দা থোইবা ঙমখি।

অনীশুবা সেট অদুদা নুপাগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শোথখিবা সেট অদু ফুকৎনবা হোৎনরকখি। মহাক্কী মায়কৈদগী শান্নখিবা মশান্না অদু জর্মনিগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা লাকশিনবা ঙমদুনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিদুনা ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা সেট অদু ৬-৩দা থোইদুনা কুমজা অসিগী এটিপি ফাইনেলসকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা য়ূ এস এগী পেয়র মাইক ব্রায়ন অমসুং জেক সোকনা ফ্রান্সকী পেয়র পিয়েরি হুগেস হর্বট অমদি নিকোলাস মাহুটপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি। নুপাগী দবলস ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা ফ্রান্সকী পেয়র পিয়েরি হুগেস হর্বট অমসুং নিকোলাস মাহুৎনা য়ূ এস এগী পেয়র মাইক ব্রায়ন অমসুং জেক সোকপু গেম ৭-৫দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাদু লৈখি।

অনীশুবা সেট অদুদা য়ূ এস এগী পেয়র অদুনা য়াম্না হেন্দুনা গেম ৬-১দা থোইদুনা পেয়র অনীম্মক সেট অমমম মায়পাক্তুনা লৈখি। অরোইবা সেট অদুদা পেয়র অনীগী মায়কৈদগী নক্নবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকপনা মরম ওইদুনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙমদনা সেট অদু মখা তারকপদগী পোইন্ট ১৩-১১দা য়ূ এস এগী পেয়র অদুনা মায়পাকপদগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## মোদগিলনা নূপীগী মিটর ১০গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

টিরুবনন্থপুরম, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী) ঃ কেরেলাগী কোনুং টিরুবনন্থপুরমদা পাঙথোক্লিবা ৬২শুবা নেসনেল শুটিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা নূপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা মকোক ওইবা ঙমখ্রে। অমরোমদা বেঙ্গোলগী শুটর মেহুলি ঘোসনা পুন্না গোল্ড মেদল ৪ লৌবা ঙমখ্রে।

অঞ্জুম মোদগিলনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মিটর ৫০গী থ্রি পোজিসন রাইফল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুংদা ঙসি পাঙথোকখিবা নূপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল কম্পিটিসন্দা মকোক ওইদুনা গোল্ড ফংখি। মোদগিলনা কম্পিটিসন অদুগী ফাইনেলতা পোইন্ট ২৪৯.১ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুং টিমমেট জসমিন কোরনা পোইন্ট ২৪৭.৯ ফংদুনা সিলভর মেদল লৌখি। লোয়ননা কম্পিটিসন অদুগী ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা টামিল নাদুগী সি রবি রকসানানা পোইন্ট ২২৬ ফংলগা লৌখি।

বেঙ্গোলগী শুটর মেহুলি ঘোসনা ঙসি পাঙথোকখিবা জুনির অমসুং য়ুঠ ৱিমেন্সকী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইনিদবিজ্যুল অমসুং টিমদা গোল্ড লৌবা ঙমখি। ঘোসনা য়ুঠকী ফাইনেলদা পোইন্ট ২৫৩ কাপ্তুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা জুনিয়র কেটিগোরিদা মহাক্না ফাইনেলদা পোইন্ট ২৪৯.১ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখি।

নূপীগী জুনিয়র দবল ত্রেপতা পঞ্জাবকী প্রবসুকমন কোরনা ইনিদভিজুএল ইভেন্টতা পোইন্ট ৮৪ ফংলগা টাইটল লৌখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৩

১। ঐহাক চাওখ্রবা লৈবাক অসিগী মন্ত্রি ওইবা অহানবা কুচ মুবা নুপানি। শান্নরোয় অমা ওইনা ঐগী ইমিং মালেমগী য়ূমথোঙ খুদিংদা খঙই। ঐগী ইমিং করি কৌবগে?

২। য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন্না চেবাউ পীরক্তুনা ঐহাক ইন্দিয়াদা লাকখ্রে। কম্মনৱেলথ ক্রিকেট টিমগী শান্নরোয় অমা ওইনা ইন্দিয়াদা শান্নবসু লাকখ্রে। ঐহাক বারবাদোসতা পোকপনি। লৈবাক অসিগী কেপ্তেনসু ওই। ঐহাক কনানো?

৩। ওলিম্পিক্কী লোঙজম্প ফাইনেল নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবদা মহাক শরুক য়াখিদে। মরমদি মহাক খৃষ্টাননি। মহাক্কী লাইনীংবু ইকায়খুম্নবনা হেন্না মরু ওইনা লৌবা শান্নরোয়নি। মহাক্কী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা চোঙখিবা অদুগী রেকোর্দ য়েংলগা অনীশুবা পোজিসনগী মেদল পীখিবা শান্নরোয় অসিগী মমিং হায়য়ু।

৪। অসাম ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ফাউন্দর প্রসিদেন্টগী মমিং পীয়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ওইনাম চার্লি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮

## শিংজমৈ কেন্দ্রবু মায়থীবা পীরম্লগা থাংমৈবন্দ কেন্দ্র সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস)ঃ শিংজমৈ কাংখূৎ চীংঙামথক্লা শীন্দুনা শিংজমৈ কাংশঙদা চথুরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা শিংজমৈ কেন্দ্রবু থাংমৈবন্দ কেন্দ্রনা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কাংখূৎ ১৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবদা থাংমৈবন্দ কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং শিংজমৈ কেন্দ্র কাংখূৎ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু থাংমৈবন্দনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা শিংজমৈনা মায়কৈ খনখি।

কাংখূৎ অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা কাপ্লখিবা কাং অদু লোইশিল্লকপদা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রনা শিংজমৈ কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১১-১০দা মায়থীবা পীখিবনি। ঙসিগী মেচ অদুদা টি ঐচ তোঞ্জাওনা অম্পায়র অমসুং কে ঐচ নাওবনা স্কোর কিপর ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং শিংজমৈ কেন্দ্র-এ অমসুং হৈঙাং কেন্দ্র শান্নগনি হায়রি।

## ১৯শুবা ষ্টেট ভেটরান টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএসন্না শিন্দুনা দিসেম্বর ৭তগী ৯ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চূপ্না দি এম কোলেজ কেম্পসকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ১৯শুবা ষ্টেট ভেটরান টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেন্স সিঙ্গল অমসুং দবলগী চহী ৪০ মথক, ৫০ মথক, ৬০ মথক, ৬৫ মথক অমসুং ৭০ মথক্কী কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি। অদুগা নুপীগী সিঙ্গলস অমসুং দবলস ওপন অমসুং মিক্স দবলস ওপন্দগী ইভেন্টশিংদা চাংদম্নগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা দিসেম্বর ৪গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা ওইগনি। এন্ত্রি ফীনা লুপা ৫০০নি। ৱিন্নর, রন্নর্স-অপ অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তারবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা থমগদৌরি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা খনগৎলবা শান্নরোয়শিং মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৬শুবা নেসনল মাষ্টরস টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়াগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী অকুপ্পা মরোল মোবাইল নম্বর ৯৭৭৪২২২২৬৫দগী খঙবা য়াগনি হায়না ১৯শুবা ষ্টেট ভেটরান টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরি এস চন্দ্র শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ৫২শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০১৮ অমদি ৭শুবা মিষ্টর মণিপুর খন্বা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসন (এ এম বি বি এ) না শীন্দুনা দিসেম্বর ১ অমসুং ২দা জি এম হোলদা ৫২শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০১৮ অমদি ৭শুবা মিষ্টর মণিপুর খন্বা ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানীংবা অম্বাদা এফিলিএট তৌবা য়ুনিট, জিমশিংনা সঙাই জিম খাগেম্পল্লি, রেদিএন্ট ফিটনেস কোনুং মমাঙ, সুপর জিম খুরাই, ফিটনেস ৱর্ল্ড শিংজমৈ, রোয়েল জিম নিংঙোমথোং অমসুং প্রকাস মেদিকোস নাগামপালদগী কম্পিটিসনগী ফোর্মশিং অয়ূক পুং ৭তগী ১০ ফাওবগী মনুং অমসুং নুংথিল পুং ৩দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৌবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২৯ ফাওবা ওইগনি।

৫২শুবা মিষ্টর মণিপুর অমদি ৭শুবা মিষ্টর মণিপুর খন্বা ২০১৮ অসিদা সেনিয়র কেটেগোরিগী কেজি ৫৫, ৬০, ৬৫, ৭০, ৭৫, ৮০, ৮৫, ৯০, ৯০ মথক্কী গ্রুপ ৯ থোক্লা খাইদোক্কনি। জুনিয়র কেটেগোরিদা কেজি ৫৫, কেজি ৬০, কেজি ৬৫, কেজি ৭০, কেজি ৭৫ অমদি কেজি ৭৫ মথক্তা গ্রুপ তরুক থোক্লা খাইদোক্কনি। মাষ্টর কেটেগোরিদা চহী ৪০দগী ৫০ ফাওবা, চহী ৫০দগী ৬০ ফাওবা অমদি চহী ৬০ মথক্তা কেটেগোরি অহুম থোক্লা খাইদোক্কনি। ফিজিকেল চেলেঞ্জ ৱিমেন বোদিবিল্ডিং মেন ফিটনেস অমদি ৱিমেন ফিটনেসকী গ্রুপশিংদনা ওপন কেটেগোরিদা পাঙথোক্কনি।

সেনিয়রগী অহানবা পোজিসন তাবদা শেলগী মনা লাক্ষ ১.৫০, অনীশুবা তাবদা লুপা লিশীং ৩০, অহুমশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ১৫, মরিশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ১০, মঙাশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ৭, তরুকশুবদগী ৯শুবা পোজিসন তাবদা লুপা লিশীং ৫/৫, জুনিয়র কেটেগোরিগী অহানবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ৫০, অনীশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ২০, অহুমশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ১০ অমদি মরিশুবদগী তরুকশুবা পোজিসন ফাওবদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৪/৪, মাষ্টর কেটেগোরিগী অহানবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ১৫, অনীশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ১০ অমসুং অহুমশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ৫; ৱিমেন বোদিবিল্ডিংগী কেটেগোরিগী অহানবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ১৫, অনীশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ১০, অহুমশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ৫, মরিশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ৩ অমসুং মঙাশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ২; ফিজিকেল চেলেঞ্জকী অহানবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ১০, অনীশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ৫, অহুমশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ৩, মরিশুবা অমদি মঙাশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ২/২; মেন ফিটনেস কেটেগোরিগী অহানবা পোজিসন তাবদা লুপা লিশীং ১০, অনীশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ৫, অহুমশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ৩, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবদা লুপা লিশীং ২/২ অমদি ৱিমেন ফিটনেসকী কেটেগোরিদা অহানবা পোজিসন তাবদা লুপা লিশীং ১০, অনীশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ৫, অহুমশুবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ৩ অমসুং মরিশুবা অমদি মঙাশুবা পোজিসন তাবদা লুপা লিশীং ২/২ পীগনি। বেষ্ট পোজরগী মনানা লুপা লিশীং ৫, টিম চেম্পিয়নগী মনানা লুপা লিশীং ৩ অমসুং টিম চেম্পিয়ন রন্নর্স-অপ মেক্সিম্মম প্লেয়র পার্টিসিপেট অমদি বেষ্ট কোচকী মনানা লুপা লিশীং ২/২ ওইগনি। শান্নরোয়শিংগী ৱেট ওনবনা দিসেম্বর ১দা খুমন লম্পাক্কী অম্বাগী ওফিসতা অয়ূক পুং ৮দগী ১১ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## সলাই হোলদিংসনা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এসোসিএসন অমদি জে কে এ এমদা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে





ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস)ঃ শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা সলাই হোলদিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসন (এ এম বি বি এ) অমসুং জীট কুনেদো এসোসিএসন ওফ মণিপুর (জে কে এ এম) দা ঙসি সলাই হোলদিংসকী কন্ফরেন্স হোলদা শেলগী মতেং খূৎশিন্নখ্রে।

শেলগী মতেং খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা সলাই হোলদিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী ভাইস চেয়রমেন নারেংবম বিশ্বাজিৎ, এলাংবম ব্রোজেন্দ্রো অমদি এ কে দিপান অমসুং সলাই হোলদিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী মাইবম সতোনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা মিষ্টর মণিপুর হন্দক চহীগী ওইনা ৫২শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০১৮ অমদি ৭শুবা মিষ্টর মণিপুর খন্বা ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ্তা সেনিয়র কেটেগোরিদা লৈরিবা মকোক মথং তাবশিংগী শেলগী মনা পুম্নমক সলাই হোলদিংসনা পুথোকখ্রে।

থাইলেন্দগী পটায়াদা থা অসিগী ২৫দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩শুবা এসিয়া কপ জীট কুনেদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা ইন্দিয়াগী টিমদা শান্নরোয় ১২গী মনুংদা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৩ শরুক য়ারগনি। উরিপোক পোলেম লৈকায়দা লৈবা হেল্প এন্দ দিভলপমেন্ট (ঐচ এ দি ও) গী লমজিং মখাদা শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা সলাই হোলদিংসনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অমদি এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল ৫/৫ ফংলকখ্রবা কেজি ৫০ মখাগী কেটেগোরিগী চুংখাম নিংথেম অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড ৪ অমসুং এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড ৩ ফংখ্রবা কেজি ৪১ মখাগী কেটেগোরিগী অরুবম টেনিসননা মায় পাক্লবগীদমক্তা সলাই হোলদিংসনা শেলগী মতেং পীখ্রে।

শেলগী তেংবাঙ পীবগী থৌরম অদুদা সলাই হোলদিংসকী ভাইস চ্যেরমেন নারেংবম বিশ্বাজিৎনা হায়খি, মণিপুরদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা অওনবা কয়া লাকপদা সলাই হোলদিংসনা মণিপুরগীদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসন কয়াদা মকোক থোংবা ঙম্নবা শান্নরোয়শিংগীদমক্তা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়খি।

অম্বানা শীন্দুনা সেপ্টেম্বর ২৩দা পাঙথোকখিবা ১৬শুবা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কন্টেষ্ট ২০১৮দা জুনিয়র ওপনগী ওভরওল টাইটল লৌখ্রবা অমদি ওক্টোবর ২৮দা ৯শুবা মিষ্টর কংলৈপাক ষ্টেট লেভেল ২০১৮দা সব জুনিয়র টোল কেটেগোরিদা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা সলাই বোদি স্কলপচরগী ৱাংখেম মহেস, ৯শুবা মিষ্টর কংলৈপাক মেন্স ফিজিক্কী ওভরওল তাখ্রবা লাইতোঞ্জম গুলসন, ফর্ষ্ট আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা ওপন মেন ফিজিক টোল কেটেগোরিদা অহানবা অমদি ওপন মেন বোদিবিল্ডিং টোল কেটেগোরিদা অনীশুবা পোজিসন তাখ্রবা কে এস ঐচ অরুনজিৎ মীতৈ অমসুং ওপন মেন্স বোদিবিল্ডিং মেদিয়ম কেটেগোরিদা অনীশুবা পোজিসন তাবদা নত্তনা ওপন মেন্স ক্লাসিক বোদিবিল্ডিংদা অহুমশুবা পোজিসন তারকখ্রবা নেপ্রাম রোসন্দা সলাই হোলদিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা শেলগী তেংবাঙ পীবগী থৌরম অদুদা মকোক মথং তারকখ্রবা শাফবশিংদা ইকায় খুম্নবা উত্তুনা মমেন্তোসু খূৎশিন্নখি।

## ফর্ষ্ট ইন্টর স্কুল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ ক্রিকেট মশান্না অসিবু গ্রাসরুট লেভেলদগী চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা মণিপুরদা অহানবা ওইনা ইম্ফাল সিটিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চহী ১৬ মখাগী নুপামচা কাঙলূপকী ওইবা অহানবা ইন্টর স্কুল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ মথং চহীগী ফেব্রুৱারীদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবা হায় স্কুল অমসুং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমদি হেদ মাষ্টরশিংনা অকূপ্পা মরোল থাও গ্রাউন্দগী থাও স্পোর্টস একাদেমিদগী অমদি একাদেমি অসিগী সেনিয়র মেনেজর থোংবম শ্যামচন্দ্রদগী খঙলবা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্মনা মথং থাদগী থাবা হৌরগনি হায়না থাও স্পোর্টস একাদেমিগী সেনিয়র মেনেজর টি ঐচ শ্যামচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।